থম্মোয় পাউদম **হুইয়েন ইন্দু**

## আর্টিকল ৩৭০ মুৎখ্রবদা -২

কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭০ অমদি ৩৫ (এ) গী মতুংইন্না জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী ওইবা তোখায়বা লো অমা লৈরকখি - কনাবু লমদমসিগী সিটিজন'নি হায়গদগে, কনা-কনানা লমদমসিদা মশাগী মরল-মথুম (য়ূম-কৈনচিংবা) লেপশিনবা য়াগদগে, মী অমগী ফংফম থোকপা রাইট (ফন্দামেন্টেল রাইটস) করি-করি ওইগদগে ... হায়বনচিংবা ময়ামসিদা ইন্দিয়াগী অতৈ মীওইশিংগা অমত্তা মান্নদে। অতৈ ইন্দিয়ন অমত্তা জম্মু অমসুং কাশ্মীরদা লম লৈদুনা/য়ূম শাদুনা খুন্দাবা য়াদে। মরম অসিনা কাশ্মীরি অমত্তনা মশাবু 'ইন্দিয়ন অমনি' খঞ্জবা ঙমদে। কাশ্মীরি ইস্যু (ঐখোয়রোমগী নাগা ইস্যু হায়নরিবসিগুম্বা) হায়নরিবা, ৱাথোক পূন্নমক্কী হৌরকফম ৱারুদি মসিনি।

হান্না নীংতম্বা লৈবাক ওইরম্বা প্রিন্সলি ষ্টেট ৫৬৫ অদুগী পূনশিন-ৱারোল অদুদা পল্লিবা ৱারোলদুগুম, কাশ্মীরগী ওরিজিনেল ইন্সত্রুমেন্ট ওফ এক্সেসন অদুদা য়ানখিবদি মরু ওইনা দিফেন্স (ঙাকশেল থৌরাং), ফোরেন এফেয়র্স (মপান লৈবাক্কী থৌরাং থৌশিল) অমদি কম্যুনিকেসন (পাউ থাদোক-থাজিন, চৎথোক-চৎশিন) গী মরী লৈনবা ৱারোলশিংদু খক্তনি। মহারাজ হরি সিংহনা খূৎয়েক পীখিবা ইন্সত্রুমেন্ট ওফ এক্সেসনদুগী ৭শুবা ক্লোজদা ময়েক শেংনা পল্লি - 'তুংদা শেল্লক্কদৌরিবা ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসন অদু লমদমসিদসু চৎনহনগদবনি হায়বনচিংবা য়াথং অমত্তা ষ্টেট অসিদা তৌরকপা য়ারোই ... মশাগী লৈঙাক পথাপ শেমজনবা রাইট লমদমসিগী মীয়ামদা লৈগনি ... সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্ট'তা করম-করম্বা অহেনবা শক্তি শীজিন্নগদগে হায়বদুসু ষ্টেট অসিনা লেপচগনি'...। অসিগুম্বা, কাশ্মীরগী য়েলহৌমীশিংগী রাইট অদু ঙাক-শেন্দুনা থম্বা ঙম্নবগীদমক, অখন্নন, আর্টিকল ৩৭০ শেমখিবনি। মসিদা য়াওরিবসি মরুওইবা ৱারোল তরুকখক্লি - (১) ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন লমদমসিদা চৎনহন্দবা, মশাগী তোপ-তোপ্পা কন্সটিট্যুসন অমা লৈহনবা; (২) সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট অসিগী মথক্তা লৈঙাক তৌনবা শক্তি অকক্লহনবা; (৩) মসিদা পল্লিবা অকক্লবা শক্তিসি নত্তবা অতৈ শক্তি শীজিন্নবা তারবসু ষ্টেট এসেমব্লিগী অয়াবা হান্না লৌদনা য়াহন্দবা; (৪) ষ্টেট অমদি সেন্টর অনীমক্তা মান্নবা শক্তি য়াওরম্লবা (কনকরেন্ট ওইরম্লবা), অদু ওইরবদি ষ্টেটকী অয়াবা হান্না লৌগদবনি; (৫) অদুগুম্বা শক্তিদু ষ্টেট কন্সটিট্যুয়েন্ট এসেমব্লিনা পীখ্রবা, অতোপ্পা শক্তি অমত্তা শীজিন্নবা য়াররোই; (৬) আর্টিকল ৩৭০ শেমদোকপা নৎত্রগা মুত্থৎপা তারবসু ষ্টেট এসেমব্লিনা অয়াবা পীদ্রবদি ওইথোক্লোই। আর্টিকল ৩৭০গা মরী লৈননা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট'না ১৯৫০, ১৯৫২ অমসুং ১৯৫৪দা থোকখিবা ওর্দরশিংদুগী মথক্তা ১৯৯৪ ফাওবগী মনুংদা অতোপ্পা প্রসিদেন্সিয়েল ওর্দর নিফুতরেৎ থোকখি।

কুমজা ২০১৯, ওগষ্ট ৫দা থোকখিবা 'রাম নাথ কোবিন্দ' গী প্রসিদেন্সিয়েল ওর্দর অদুনা ইকোন কোনবা ওর্দরনি। নীংতম্লবা মতুংদা থোকখিবা প্রসিদেন্সিয়েল ওর্দর পূন্নমক্তগী খ্বাইদগী হেন্না নীংশিংনীংঙাই ওইরগদবা, অনৌবা হিষ্টরি অমগী অহানবা লমায় ওইবা য়াবা ওর্দর অমনি। ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন'দা য়াওরিবা প্রোভিজন (ৱারোল) পূন্নমক 'জম্মু এন্দ কাশ্মীর'দা চৎনরগনি, আর্টিকল ৩৭০ অমসুং ৩৫ (এ) মুত্থৎলগনি মখা তানা চৎনররোই। অখন্নবা ষ্টেট অমা ওইনা লৈরম্বা ষ্টেট'সিনা য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী থাক্তা হন্থরবা লমদম অনী থোক্লা




খায়দোক্লগনি - 'জম্মু এন্দ কাশ্মীর' অমসুং 'লদাখ'। চহী হুম্ফুতরানিথোই চূপ্পা ইন্দিয়ন ষ্টেট অমা ওইনা ইন্দিয়ন পোলিটিকল মেপ'তা য়াওজরগসু ইন্দিয়াগী লম অমনি হায়না, পোলিটিসিয়ন অমত্তনা পোঙনা ক্লেম তৌজবা ঙম্লক্ত্রবা লম অসি ঙসিদি ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন ময়েক শেংনা চৎনরবা ষ্টেট অমা ওইরগনি।

পোলিটিকল ওইবা ইস্যুনি, পোলিটিকল ওইবা ৱাফম অমত্তা ফেনজি ঞ্জরমগে। ফাওবদই ফাওরবা লিগেল এক্সপার্ট/লোয়রশিংনা হায়খিবা লৈ ... 'কন্সটিট্যুসন্দগী আর্টিকল ৩৭০ অমসুং ৩৫ (এ) লৌথোকপা ওইথোক্লরোই'...। ৱাহায়সিগী মরুওইবা মরম, কাশ্মীরিশিং খরবু লম হেনহল্লকখিবগী মরম - 'কাশ্মীরগীদমক কন্সটিট্যুসন্না পীরিবা অখন্নবা শক্তি অসি জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী ৱারেপ অমা য়াওদনা শেমদোকপা নৎত্রগা লৌথোকপা, প্রসিদেন্ট মশামক য়াওনা কনামত্তগী মফমদা লৈতে' হায়বা লিগেল ইন্টরপ্রিটেসন অসিননি। ওগষ্ট ৫দা থোকখিবা প্রসিদেন্টকী ওর্দর অসিদা হায় - 'জম্মু অমসুং কাশ্মীর গভর্ণমেন্টকী অয়াবা য়াওরগা'...। পূন্নমক্লা খঙই - হৌজিক ষ্টেট অদুদা মীয়াম্না খনবা গভর্ণমেন্ট/কন্সটিট্যুয়েন্ট এসেমব্লি লৈতে, প্রসিদেন্টস রুল মখাদা লৈ। গভর্ণর'না লুচিংবা সিভিল সর্ভেন্ট ময়াম্না লৈবাক ঙাক্লি। ওর্দরসিদা পল্লিবা 'গভর্ণমেন্ট' হায়বসিনা তাক্লিবা লমদমদুগী গভর্ণরবুনি। এসেমব্লিনা রিপ্রজেন্ট তৌরিবদুসু গভর্ণমেন্ট, গভর্ণরনা রিপ্রজেন্ট তৌরিবদুসু গভর্ণমেন্ট। অর্গ্যুমেন্ট অসিদা য়ূম্ফম ওইরগনি অসুক থৌনা ফরবা ৱারেপ অমা লৌরিবা। হৌজিক বি জে পি'না কিবা, কনামত্তা লৈতে। নুমিত্তুগী পার্লিয়ামেন্টরি প্রোসিদিংস য়েংবীহৌবা নৎত্রা? কোংগ্রেস অমসুং অতৈ ওপোজিসন পার্টি লৈ হায়ববু ফাওবীখিবরা? পার্লিয়ামেন্টরি ষ্টেন্দিং কম্মিটি লৈ হায়বসি রুল্লিং পার্টি অসিনবু ইকায় খুম্নরিবরা? হংদবা য়াদ্রবা ৱাহংনি। কাশ্মীরগী ইস্যু ফাওবা অসুক লায়না, অয়েৎ-অথিং করিমত্তা য়াওদনা লোইশিনবা ঙম্লবা এন দি এ গভর্ণমেন্ট, নোর্থ-ইষ্ট-ইন্দিয়াগী খুজোক খরনা য়েৎলিবা সী এ বিল (সিটিজেনসিব এমেন্দমেন্ট বিল) না পার্লিয়ামেন্ট লান্দুনা চৎপবু কয়াম লুবা খোঙচৎনো! মথংগী পার্লিয়ামেন্ট সেসন'দা ওইরদৌবা শক্তমদো, উরে হৌজিক শংশংনা। মরকসিদা অরাংবা ৱাখল অমসু খল্লকই ... 'থুপচিনখ্রবা কাশ্মীর চেপ্টর অসিগা মান্নবা চেপ্টর অমা ইগে লাক্লরিবা ইন্দো-নাগা-পিছ-টোক, ৱাচানখিবা মখোয় খরদুগী থম্মোয়দদি পাউ অসিনা করিমত্তা তনীকহন্দবা-জাৎলা'...?

ঐদি খল্লি-থরক খরদি হুনগৎলমগনি।

লৌশিং পুক্কে

# ওক্সিজেন মরাং কায়না ফংদ্রবদি হকচাংগী তোঙান তোঙানবা কয়াৎশিংদা অকায়বা থোকহন্দুনা খুদোংচাদবা মায়োক্লে

ওক্সিজেন মরাং কায়না ফংদ্রবদি হকচাংগী তোঙান তোঙানবা কয়াৎশিং, মরুওইনা লংসতা অকায়বা থোকহন্দুনা হকশেলগী ওইবা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লে। অদুবু হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ষ্টদি অমদগী ওক্সিজেন ৱাৎপনা উরিং থুংহল্লি হায়বা খঙলে।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী সেন দিগোদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ কেলিফোর্নিয়াগী রিছার্চরশিংনা চথখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়, অশেংবা নুংশিৎ মরাং কায়না ফংদ্রবদি তুখোঙ অমসুং স্কিন সেলশিংদা পক্তুনা লৈবা প্রোপিওনিবেক্টরিয়ম একনিসনা থাউরেক পুন্নমক ফেট্টি এসিদ ওন্থোক্তুনা উরিং থুংহল্লি।

নুংশিৎ-নুংশা শেংদবা মফমদা লৈবা মীওইশিং উরিং থুংলকপগা লোয়ননা অতৈ অতোপ্পা উনসাগী খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লরকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ হায়না য়ুনিভর্সিটি ওফ কেলিফোর্নিয়া সেন দিগোগী রিচার্দ গেলোনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, কিং'স কোলেজ লন্দনগী রিছার্চরশিংনা চথখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খ্রে মদুদি, উরিং থুংবা মীওইশিংগী উনসা খুইগন্দে অমসুং থুনা অহল ওইশিলহন্দে। অনৌবা ষ্টদিগী রিপোর্ট অসি উরিং থুংবদগী থৱায় নুংঙাইতনা লৈরিবা লৈশাবীমচা-শিংগীদমক্তদি নুংঙাইরবা পাম্বৈ অমনি। উরিং থুংলম্বদগী ফরক্লবা মীওইশিংগী হ্বাইট ব্লস সেলদা টেলোমেরিস য়াম্না য়াওবা মরম্না হকচাংগী সেলশিং মতম কুইনা পুন্সিদুনা লৈ হায়বা রিছার্চরশিংনা খঙবা ঙম্লকখি।

ষ্টদি অদুবু লুচিংখিবা কিং'স কোলেজ লন্দনগী দর্মাটোলোজিগী সাইমন রিবেরোনা হায়খি, কনাগুম্বনা উরিং থুংলে হায়না থৱায় নুংঙাইতবা ফাওরম্বা য়াই। অদুবু উরিং থুংবা মীওই খুদিংমক থুনা অহল ওইদে হায়বা থিজিনবদগী খঙবা ঙম্লে। অদুম ওইনমক উরিং থুংবগী নুংঙাইতবা-অৱাবা ৱাখল কোকহনগে হায়রবদি য়ুমথোঙ খুদিংমক্তা ঈরায় লায়না ফংলিবা জিরা শীজিন্নবা য়াই। এন্টি-ইনফ্লেমেটরি, এন্টি-ফঙ্গেল অমসুং এন্টি-বেক্টিরিয়লগী মগুন চেনবা জিরানা লোক থুংবা অমদি অজমাদগী ঙাকথোকপগা লোয়ননা উরিংসু ফহল্লি। জিরা খরা ঈশিংদা ফুৎলগা মহী অদু তৈরবদি উরিং থুংবা ফৈ। উরিং থুংহন্দনবগী মতাংদা লৌখৎপা য়াবা খ্বাইদগী মরুওইবা থৌরাংদি মায় অমসুং হকচাংগী অতৈ মফমশিংদা থোরকপা হুমাং শেংনা তৈথোকপগা লোয়ননা ঈশিং মরাং কায়না থকপা অমসুং অয়াম্বা মতমদা ফমজিন্দুনা লৈতবা হায়বসিনি।


ন্যু দিল্লিগী অগরৱাল হোমিও ক্লিনিক্কী পঙ্কাজ অগরৱালগী রেক্কমেন্দসন মতুংইন্না উরিং থুংহন্দনবগীদমক চাবা থকপদা য়াম্না চেকশিনবা মথৌ তাই হায়রি।

থাউ অমসুং ফেটকী শরুক য়াম্না য়াওবা চীঞ্জাক কা হেন্না চারোইদবনি অমসুং সোদা নৎত্রগা চিনি য়াওবা সোফ্ট দ্রিঙ্ক থক্লোইদবনি। অৱাবা ৱাখল খনবা, পূক্লিং-ৱাখল লাংতক্লবা অমসুং ষ্ট্রেসনা উরিং থুংহল্লি। য়ারিবমখৈ নুংঙাইবা ৱাখল খন্নবা হোৎনগদবনি। ইশা ইশাগী উনসাগা চান্নদবা অমসুং অহোংবা কোস্মেটিক শীজিন্নবনা তুখোঙ ফুঞ্জিল্লকপদগী উরিং থুংহল্লকপা য়াই। মরম অদুনা ইশাগী উনসাগা চান্নবা অমসুং মগুন লৈবা কোস্মেটিক খক্তমক শীজিন্নগদবনি।

কালেনথাগী শারবা মতমদা হুমাং মরাং কায়না থোরকই। হুমাং থোরকপনা তুখোঙ পুন্নমক শেংদোক্লিবনি। অদুবু থোরক্লিবা হুমাং অদু চাং নাইনা তৈথোকপা মথৌ তাই। হুমাংদা ফৎতবা টোক্সিন কয়ামরুম য়াওই। মরম অদুনা অয়াম্বা মতমদা রুমাল নৎত্রগা টাৱেল অমা পায়রগা হকচাংদা থোরকপা হুমাং পুন্নমক শেংনা তৈথোকপা মথৌ তাই।

য়ারিবমখৈ মায় মোৎহন্দনবা হোৎনগদবনি। অফবা মখলগী ক্লিঞ্জর অমা শীজিন্নরগা অয়ুক্কী নুমীদাংগী চাং নাইনা মায় তাথোকপা মথৌ তাই। নুমীৎ খুদিংগী অশংবা মনা মশিং অমসুং উহৈ-ৱাহৈ মরাং কায়না চাগদবনি। এন্টিওক্সিদেন্ট, ভিটামিন অমসুং ন্যুট্রিয়ন্ট মরাং কায়না য়াওবা মনা-মশিং অমদি উহৈ-ৱাহৈনা হকচাং ফহনবগী মথক্তা উরিংসু থুংহন্দে।

নুমীৎ খুদিংগী ঈশিং মরাং কায়না থকপা হায়বসি য়াম্না তঙাইফদবা থৌরাং অমনি। ঈশিং মরাং কায়না থক্লবদি হকচাং মনুংগী অমোৎপা পুন্নমক শেংদোকপগা লোয়ননা উনসা ফজহল্লি অমসুং কুচুসু শেংহল্লি। অয়াম্বা মতমদা ফমজিন্দুনা নৎত্রগা হীপচিন্দুনা খক লৈরোইদবনি। অয়াম্বা মতমদা হকচাং লেঙ-ওৎপগী থবক তৌবনা মেটাবোলিজমদা মতেং পাংশিনবা মরম্না হকচাংগী কয়াৎশিং ফহল্লি অমসুং উনসা ফজ হল্লি।




উরিং থুংগনবা মীওই ওইরবদি য়ারিবমখৈ লংজমগী ফিরোল শেৎপগা লোয়ননা তোয়না শুদোকপা মথৌ তাই। হকচাং শাজেল তৌদুনা হুমাং তাহল্লবা মতুংদা শেংনা ঈরুজ থোকপা য়াম্নমক তঙাইফদে। হুমাং থোরক্লবা মতুংদা অশিবা সেল কয়া পৈশিন্দুনা লৈবা মরম্না উরিং থুংহল্লকপা য়াই। খ্বাইদগী মরুওইরিবদি নুংশিৎ-নুংশা শেংবা মফমদা লৈবনি। য়ুনিভর্সিটি ওফ কেলিফোর্নিয়া সেন দিগোগী রিছার্চরশিংনা হায়খি, অশেংবা নুংশিৎ (ওক্সিজেন) মরাং কায়না ফংদ্রবদি উনসাদা পকপা বেক্টিরিয়ানা তুখোঙ ফুঞ্জিলহন্দুনা উরিং থুংহল্লকই।

অনৌবা ষ্টদিগী রিপোর্টতগী উরিং থুংহল্লকপগী মরম খঙবা ঙম্লবনিনা মতুং তারকপদা উরিং থুংহন্দনবা থৌরাং লৌখৎপা অমসুং উরিং ফহন্নবা হোৎনবদা মতেং ওইরগনি হায়রি। অমরোমদা, উরিং থুংগনবা মীওইশিংনা থোইদোক্লা থৱায় নুংঙাইতনিংঙাই ওইদে। উরিং থুংগনবা মীওইশিং থুনা অহল ওইশিল্লক্তে হায়না কিংস কোলেজ লন্দনগী দর্মাটোলোজিষ্ট সাইমন রিবেৱোনা লুচিংদুনা চথখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।

# ইন্টর কোলেজ দিবেট্টিং কম্পিটিসন পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৮ (ঐচ এন এস): নাউরেম বিরহরি কোলেজগী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ননা শিন্দুনা ২শুবা ষ্টেট লেবেল ইন্টর কোলেজ দিবেট্টিং কম্পিটিসন থা অসিগী ২২ দা পাঙথোক্লগনি হায়না নাউরেম বিরহরি কোলেজ ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়নগী দিবেট এন্দ এক্সটেন্সন সেক্রেটরি এস সুজাটানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, 'মণিপুরনা প্রি-মর্জর পোলিটিকেল ষ্টেটসতা হঞ্জিনবা ঙম্লবতদা ঙসি ঐখোয়না থেংনরিবা ইস্যুশিংসিগী ৱারোইশিন (সোল্যুসন) পুরকপা ঙমগনি' হায়বা হীরমদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্টর কোলেজ দিবেট্টিং কম্পিটিসন অসিদা মণিপুরদা লৈরিবা গভর্ণমেন্ট, এদেদ অমদি প্রাইভেট কোলেজ শিংগী মহৈরোয়শিংনা শরুক য়াবিয়ু। দিবেট্টিং কম্পিটিসন অসিদা শরুক য়ানবগী ফোর্ম নাউরেম বিরহরি কোলেজ অমদি অতৈ কোলেজ শিংদগী ফংগনি। ফোর্ম থাজীনবগী অরোইবা মতম ওগষ্ট ২০দা ওইগনি। অকুপ্পা মরোলগীদমক মোবাইল নম্বর ৮২৫৭০১৪৬৫৫ /৮২৫৭০৩৮৬৪১/৭০০৫৬১ ৬৭৬৫ দা পাউ ফাওবীরকপা য়াগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# তরেৎশুবা সেন্ট্রেল পে চৎনহল্লু হায়না মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৮ (ঐচ এন এস): কাউন্সীল ওফ টিচরস এসোসিএসন (কোটা) না চীফ মিনিষ্টর অমদি এদ্যুকেসন মিনিষ্টরদা তরেৎশুবা সেন্ট্রেল রিভাইস পে চৎনহল্লু হায়না মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে হায়না কোটাগী কো-কনভিনর সী ঐচ শান্তকুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থা অসিগী ৭ কী নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদা কোটাগী কো-কনভিনর শান্তকুমারনা লুচিংবা ওজা কাঙবু অমনা চীফ মিনিষ্টর অমদি এদ্যুকেসন মিনিষ্টরদা তরেৎশুবা সেন্ট্রেল রিভাইস পে ইন টোটো চৎনহল্লু হায়না মেমোরেন্দম অদু পীশিনখিবনি। ওজাশিংগী অপূনবা বোদি অমা ওইরিবা কোটানা তরুকশুবা সেন্ট্রেল রিভাইস পে ২০১১ দা মতমদুগী লৈঙাক্কা ওজাশিংগা য়ানখিবগী মতুংইন্না ওজাশিংবু পে বেন্দ টু অমদি পে বেন্দ ৱানদা থমহন্নবা তক্লদুনা লাকখিবগা লোয়ননা থল্লকখি। হন্দক্কী মণিপুর সর্ভিস রিভাইস পে রুল ২০১৯ দদি প্রাইমারী অমদি গ্রেজুয়েট ওজাশিংবু খ্বাইদগী নেম্বা পে বেন্দ ৱানদা থম্বা হায়বসি ওজাশিংবু হন্থনা য়েংবনি খল্লি। ওজাশিংনা ষ্ট্রাইক তৌরক্লবা ইনভাইট তৌবা ওইনা থোক্কনি। অথুবা মতমদা লৈঙাক্লা ওজাশিংগী য়েংদুনা তরেৎশুবা সেন্ট্রেল পে ইন টোটো ওইনা চৎনহনবীয়ু। লৈঙাক্লা তাবীদবা তারবদি খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# লংলা-লংজিল চুম্না পুথোকউ : এইমস

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৮ (ঐচ এন এস): ষ্টেন্দর্দ রোবার্থ স্কুলগী বোর্দিংদা থোকখিবা মহৈরোয় বেবিসনা মীশিংগী অশেংবা লংলা-লংজিল মরিক চুম্না পুথোকউ হায়না অপূনবা ইরৈপাক্কী মহৈরোয় শিনপাংলূপ (এইমস) কী পব্লিসিটি ইনফোর্মেসন সেক্রেটরি সাইয়োনবা মঙাংনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মরাল লৈবা মীওই অহকপা চৈরাক পীয়ু হায়না জে এ সীনা চঙশিল্লকপা খোঙজংদা শৌগৎলি। ওগষ্ট ৯ অসি মালেমগী ওইনা য়েলহৌমীশিংগী নুমীৎনি হায়না থৌরম পাঙথোক্লরি। কুমজা ১৯৯৪ দা ওগষ্ট ৯ অসি য়ু এন ওনা ৱর্ল্ড ইন্দিজিনস দে হায়না লাউথোকখি। য়েলহৌমীশিং কন্নবগী খোঙথাং ওইনা য়ুনাইটেদ নেসন্স দিক্লারেসন ওফ দি রাইট ওফ ইন্দিজিনস পিপলসকী চার্টর পুথোকখি। অৱাং নোংপোক্তা খুনদারিবা মঙ্গলোইদ খুন্নাইশিংনসু নুমীৎ অসিগী থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি। খুন্নাই অসিদা য়েলহৌমীশিং মীতোপ মীয়ানচাশিংনা নোংম-নোংমগী য়োৎশিল্লক্তুনা লুপখিবা য়াবগী চিংনবা চাউনা লৈরকপসি থেংনবা মথৌ তাই। এইমসনসু টেম্পল ওফ লর্নিং, কাঞ্চিপুরদা ৱর্ল্ড ইন্দিজিনস দেগী থৌরম পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরম্বনি। অদুবু জে এ সী এগেনষ্ট মিষ্টিরিয়স দেথ ওফ বেবিসনানা জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌরকপনা মরম ওইরগা পাঙথোক্কনি হায়না থৌরাং তৌরম্বা থৌরম অদু ইচম চম্না পাঙথোক্লগা নুংগী ওইবা ৱাখল্লোন অসি খুদোংচাবা নুমীৎ অমদা নৈনগনি হায়রি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৯।০৮।২০১৯ ইং, ইরাই, অয়ুক পুং ১০ ফাওবা থৱানগী ৯ নি পাল্লি, মতুং ১০ নি পানগনি।

মেষ : অশাওবা ফাথবা, ফিংদবা অমদি ঙক কন্দবনা য়াইফবা ওইগনি। অচম্বা চাও,ইমুং-মনুং পূন্না পাংবা থবকশিংদি লেম্নমক মায় পাক্কনি, মীংচৎ ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - হেন্না অশা তৌগনু-মতম মাঙগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

বৃষ : নীংবা খ্বাইদগী থুংগনি, মীচং য়াম্না ফংগনি, মরী-মতা অমদি নঙগী ওইবা মীশিংনা তেংবাঙবিবা লৈগনি। নথক থোংবনা য়েৎপা খরা লৈরসু ইজৎতি ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ঙাঙথোকপদা রাশি য়াওগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিথুন : নরল চাওখৎপা, মীয়াম্না লোয়নবা পাম্বা অমদি নচা-ননাইগী ৱাখলদা নুংঙাইজবা লৈগনি। মীৱা লৌবনা কিবা পোকপা অমদি লৌশিং ৱাৎপদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কর্কট : কোক খরা শারবসু অমদি পাউ নুংঙাইতবা খরা তারবসু মীয়াম্না তেংবাঙবীবা অমদি মরুপ-মপাং লোয়নবা থবক্তদি মায় পাক্কনি। হকচাংদি নুংঙাইরোই।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

সিংহ : হরাওবা নুংঙাইবা, নীংবা থুংবা অমদি তুংগী পোারম নিংথিনা য়াৎপা হৈগদবা নুমিৎনি। অশাওবা অমদি খোইরাংবনা পোত্থাফম খঙলোই-তপথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী - পূক্লিং ফাথৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কন্যা : পূক্লিং ৱাবা, লৌশিং থোকপা ৱাৎপা অমদি মহু চাউবনা থবক থৌরমদা য়েংথিবা খরা লৈরবসু অনীংবা থবক পাংগনি, নচাক-নরল চাওখৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

তুলা : লাইবক ফবা ৱাৎলি অমদি মীতোপ থাজগনু, অরাপ্পা মীগী মতেং লৌগে খল্লুনু ফত্তবা নংগনি। মীয়াম্না য়াবা থবক পাংনবা হোৎনৌ, নুংশাথিবা কোক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃশ্চিক : মীচং হেনগৎপা, ৱাখল লৈনা পাংবা থবকশিং লেম্নমক মায় পাকচবা লৈগনি। থবক্কী লম্দদি মীগা য়েংথিনবা য়াবা লৈ অদুনা নোল্লুক্লা চৎপা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

ধনু : নুংশাথিবা কোকচগনি, পন্দুনা লৈরুবা থবক পাংবা য়াবা লাক্লে অমদি ঙাঙবা-শকপদা মীনা থাগৎপীরনি। নচাক-নরলগীদি অয়েৎপা লৈ-হে তোংগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - মীংচৎ ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/থোইদিং।

মকর : লাইবক ফগনি, লৌশিং ফংগনি, নক্লবনা চানগনি, ৱাখল তামিন্নবা য়াবা নুমিৎনি। পাউ নুংঙাইবা তাগনি, লম চৎপা কান্ননি। হকচাংদি নুংঙাইবা ৱাৎলি।
লৈশা পাখংশিংগী - খাঙবা কনবনা য়াইফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কুম্বা : য়েক্লবা মাঙখিনি, থবক পাংগনি, মীকোক থোংগনি অমদি লৈঙাক্কী থৌদা মায় পাক্কনি। মীতোপ্পা ইনশিনবা লৌবনা কাইনবা য়াবদি লৈ, চিন য়াংগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - খন্থরগা ৱা ঙাঙবা ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ।


মিন : নুংশাথিবা কোকচগনি, লাই-গুরুনা চানগনি অমদি শান্নবগী লম্দা মায় পাক্কনি। লেংদবা লন লেপশিনবগী নুংঙাইবা লৈগনি। অনমদি তানগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - অশা চাউবা য়াদে।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

# 'বোরিস জোনসন ইজ এ ব্রেনকর'

মমি ৱারী

*বোরিস জোনসনগী মায়োক্তা চথখিবা প্রোটেষ্ট*













*পেন্দবা, য়ানীংদবা অমদি পামদবা - ফোঙদোকপদা ঐখোয়না মওং-মতৌ, পাম্বৈ কয়া শীজিন্নরি। মতম খরদি কুইরক্লে, ঐহাক্লা লন্দন্দা মখোয়গী মীয়াম্না খোঙজং চঙশিনবগী মওং মতৌশিং ফোটো দোক্যুমেন্টিং তৌরক্লিবা।*

*আইন হায়বসি মশক মুন্না খঙবা, আইনগী পরম মতুংইন্না খোঙজং কয়া চঙশিল্লিবা লন্দনগী মীয়ামনি। মসিনা ঐঙোন্দা তোপ-তোপ্পা ইথিল অমা পীবগুম তৌরি। ইকুই কুইদ্রিবদা লন্দনগী লম্বীদা মহৈরোয় কয়া য়াওবা বোরিস জোনসনগী মায়োক্তা হৌরকপা ঈহৌ অমগী ফোটো খরা নম্বদা ঐহাক্লা থোইদোক-হেন্দোকপা খরা থেংনখি। খোঙজং অদু লিগেল এক্সপার্টশিং অমদি লম্ কয়াগী অখঙ অহৈশিংনা থল্লবা মীওইশিংগী মমাঙদা লোনা য়াবা মওংদা চঙশিনখি।*

*পূন্নমক অসিগী ওন্ন-তৈনবদা ঐখোয়গী লমদম অসিদদি লম্বী-লমজাওদা খোঙজং য়াওবা থোরক্লিবশিংনা, লোইনমক নৎত্রবসু অয়াম্বদি করি মরমগী খোঙজং চঙশিল্লিবনো খঙদবসু য়াওরিবনি। লৈঙাক্লা য়েংশিনবিদ্রবা মীয়ামগী লন-থুম কয়া মাঙ তাকহল্লি। লন্দন্দদি মেত্রোপোলিটান পুলিসনা গেলেন্ট্রি এৱার্দকীদমক চৈ অমদি নোংমৈ শীজিন্নদুনা মীয়ামগী ঈহৌ নমথনবা হোৎনবগী থৌওং খক চথদে। - অথোইবা সৌবাম*